**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 26.03.2024)**

**বিজেপি (এল)ঃ** ইন্নর মনিপুর লোক সভা সিটতা বি.জে.পিগী ওইনা থৌনাওজম বসন্তকুমার সিংহ মীরেপ ওইরগনি।

দিল্লিদা ঙসি দল অসিগী সেন্ট্রেল ওফিসনা থোকপা লোক সভাগী ওইনা দলগী তরুকশুবা ওইনা মীখলদা মীরেপ ওইগদবশিংগী মিং লাউথোরকপদা মনিপুরগী ইন্নর লোক সভাদা থৌনাওজম বসন্তকুমারনা মীরেপ ওইরগনি হায়না য়াওরকখিবনি। মহাক হৌজিক রাজ্যগী শিক্ষা মন্ত্রিসু ওইরি।

ঙসি ইম্ফালগী নিত্যপাৎ চুথেক্তা লৈবা বি.জে.পি. ওফিসতা পাউগী মীফম অমদা মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেননা হায়-দল অসিনা ইন্নর মনিপুর লোক সভা সিটকীদমক মীরেপ ওইনা থাগৎলিবা টি.ঐচ. বসন্তকুমার সিংহবু শোগৎপীদুনা লমদম অসি চাউখৎপা অমদি তংদু লৈতাবা ওইহনবদা মতেং পাংবীয়ু। মীয়ামসু দল অসিবু থাজবীয়ু অমদি শ্রী নরেন্দ্র মোদিগী অহুমশুবা সরকারদা বসন্তকুমারবু শরুক য়াহন্নবা হায়নসু মীয়ামদা আপিল তৌখি।

বি.জে.পিগী মীরেপ ওইনা লাউথোক্লবা থৌনাওজম বসন্তকুমার সিংহনা মহাকপু দল অসিনা থাজবীদুনা লাক্লিবা লোক সভা মীখলদা মীরেপ ওইননবা খনবীরকপগীদমক থাগৎপা অমদি নুংঙাইবা ফোংদোরক্লি। মহাকা হায়-তাঙ্কক অনিরক থোকা পাঙথোক্কদৌরিবা হন্দক্কী লোক সভা মীখল অসি মনিপুরগী ওইনদি য়ামা মরুওইবা মীখল অমনি। মীখল অসিদা বি.জে.পি অমুসং মসিগা চুংশিন্নরিবা দলশিংনা চাউনা মায় পাক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ।

মরক অসিদা, লোক জন্ন শক্তি পার্টি (রাম বিলাস) গী ওইনদি হন্দক্কী লোক সভা মীখল অসিদা মনিপুরগী ওইনা দল অসিগী মীরেপ থাদোক্লরোই হায়রি।

**নোমিনেসন(এল)ঃ** তাঙ্কক অনি থোকা পাঙথোক্কদবা মণিপুরগী লোক সভা সিট অনিগী মীরেপ চে পীশিনবগী মতম হয়েং লোয়রগনি। হংচিৎনা স্ক্রুতিনি তৌগনি।

হৌজিক ফাওবদা মীখল অসিগীদমক মীরেপ অনিনা মখোয় মখোয়গী মীরেপ চে পীশিল্লকখ্রে। আউতর মনিপুর পার্লিয়ামেন্তরি কন্সটিট্যুন্সিদা নাগা পিপলস ফ্রান্ট (এন.পি.এফ) কী মীরেপ কে.তিমোথি জিমিক্কী মীরেপ চে পীশিনখিবনি। ইন্নরদনা মনিপুর পিপলস পার্টি (এম.পি.পি) মীরেপ আর.কে সোমোরেন্দ্রোনা মহাক্কী মীরেপ চে পীশিনখ্রে।

**ওবর্জাবর(এল)ঃ** লাক্লিবা লোক সভা মীখলগীদমক ইন্নর মনিপুর লোক সভা কেন্দ্রগী ইলেক্সন ওবজাভরশিং থুংলরে। ডা: ধবল কুমার কে. পতেলনা জেনরেল ওভজাবর, ভৈবপ কৃষ্ণনা পুলিস ওভজাবর অমসুং প্রধুমন বদারি প্রসাদ মিনানা এক্সপেন্দিচর ওবজাবর ওইগনি।

আউটর মনিপুর লোক সভা কেন্দ্রগী ওবজাবরশিংস্ থুংলরে। শ্রী উজৱাল কুমারনা জেনরেল ওবজাভর ওইগনি। শ্রী যাদব কৃষ্ণনা পুলিস ওবজাভর, এক্সপেন্দিচর ওবজাভর ওইনা ডা: ভতেন্দু কুমার সিংহ অমদি শ্রী গৌরব কে. সিংহনা এক্সপেন্দিচর ওবজাভর ওইগনি।

**মীতিং (এল)ঃ** লোক সভা মীখলগী মতম নকশিল্লকপগা লোয়ননা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্না জিলা জিলাদা মীখলদা মথৌ তৌগদবা মীওইশিংগী ত্রেনিং প্রোগ্রামশিং চথ্খবা হৌরে।

কাংপোকপী জিলাগী ওইনা নুমিৎ মরিনি চথ্খগদবা পোল্লিং পার্সোনেলশিংগী ত্রেনিং প্রোগ্রাম ঙরাংদগী কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বাটরসতা হৌখ্রে। থা অসিগী ২৯ ফাওবা চথ্খগদবা ত্রেনিং প্রোগ্রাম অসিদা পুন্না পোল্লিং পার্সোনেল লিশিং ১,১৩৭ য়াওগনি। মসিগী মনুংদা ৬৫১ না নুপীনি অদুগা ৪৮৬ না নুপানি। ঙসি নিনি চনবা নুমিৎতা পোল্লিং পার্সোনেল ২২৩ দা ত্রেন্নিং

পীখি।ঙরাং অহৌবা নুমিৎতা পোল্লিং পার্সোনেল ১২০ ত্রেনিং পীখি। ত্রেন্নিং প্রোগ্রাম অদু কাংপোকপী জিলাগী সদর হিলস ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিলদা সেসন অনি থোকা পাঙথোকখি।

**অখিল (এল)ঃ** লাক্লিবা লোক সভা মীখল অসিদা ভোটর খুদিংমকা ইশাগী হক অমসুং ইশাগী ভোট মফম খঙনা শিজিন্নসি হায়না আখিল ভারত্তিয়া হিন্দ ক্রান্তি পার্টি-মনিপুর ষ্টেট য়ুনিটনা আপিল তৌরক্লি।

দল অসিনা শিনদুনা ঙসি পোরোম্পাৎতা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা দলগী প্রসিদেন্ট-মোইরাংথেম ধনবিরনা হায়-মীখল অসিদা দল অসিগী ওইনদি মীরেপ থাদোক্লরোই অদুবু মনিপুর মীয়ামগী খনদুনা লমগী ঙমখৈ অমসুং অপুনবগী শক্তম কন্নবগীদমক খোঙফম চেৎনা লেপকদবা, তংদু লৈতাবা মনিপুর অমা পুরকবগীদমক থবক তৌগদবা দলদা শৌগৎকনি।

**লম্বী (এল)ঃ** নেসনেল হায়ৱে ১০২ দা ইম্ফাল-উখ্রুল লম্বীগী কিলোমিটর ৩০ শাংবা লম্বী নেসনেল হায়ৱেজ এন্দ ইনফ্রাষ্ট্রকচর দিবলপমেন্ট কো ওপরেসন লিমিটেদনা হৌখিবা চহি ২০২০ দগী চহি মরি চংনা শেল্লবসু হৌজিক ফাওবা লোয়শিন্দনা লৈরি। নোংজ্ পন্থা য়ৌশিল্লকপা অসিনা অমুক্কা হেন্না লম্বী চৎথোক চৎশিনদসু খুদোংচাদবা মায়োকরি। উখ্রুল অমসুং কামজোং জিলাগী মীয়ামদতা নত্তনা লম্বী অসিদা চৎলিবশিংদা চাউনা খুদোংচাদবা মায়োকহল্লে। লম্বী অসি শেন্বা লোয়শিনবীনবা মরী লৈনবশিংদা হঞ্জিন হঞ্জিন হায়রবসু ঙসি ফাওবা শেন্বা লোয়শিন্নদনা লৈরি।

অমরোমদা, সেনাপতি জিলাগা মাওদা ঙসি লেন য়াওনা অকনবা নোং চুখ্রে। মসিনা মহৈ মরোং অমদি লৈশ্রুশিংদা চাউনা অমাং অতা থোক্লে। অদুম্মকপু, য়ুম-কৈ তেকপা অমদি অশোক অপননচিংবদি য়াওদে হায়রি।

**ফোরেষ্ট(এল)ঃ** ফোরেষ্ট ফয়ার প্রিভেন্সন এন্দ মেনেজমেন্ট স্কিমগী ফোরেষ্ট ফয়ার প্রোটেক্সনগা মরা লৈননা নন-টিম্বর ফোরেষ্ট রিছোর্স কল্লেক্তরস অমসুং মহৈরোইশিংগী ওইবা এৱারনেস প্রোগ্রাম অমা তেংনৌপল ফোরেষ্ট দিভিজননা শিনদুনা জিলা অসিগী খুলসিবুং ভিলেজতা পাঙথোকখ্রে।

ফোরেষ্ট ফয়ার প্রিভেন্সন এন্দ কন্ট্রোল ইটস ইমপেক্ট ওন ৱাইল্ড লাইফ হায়বা হীরমদা পাঙথোকখিবা এৱারনেস অদুদা খুলসিবুং ভিলেজ ওথোরিতিদা প্লাষ্টিক বোট্টল বেঙ্ক অনি বিভাগ অসিনা খুৎশিন্নখি। অমরোমদা, তেংনৌপল ফোরেষ্ট দিভিজন অসিনা হৈরোক চিংদমপোক রিজার্ব ফেরেষ্টনা কোনবা মফমশিং অমসুং তেংনৌপল জিলাগী মনুং চনবা থামলাই ভিলেজতা মৈ চাকপা কনবদা শিজিন্নগদবা পোৎলমশিংসু য়েন্থোকখি। লোয়ননা ফোরেষ্ট ফয়ার প্রিভেন্সনগা মরী লৈনননা মীয়ামবু ভাব তাহন্নবা মোবাইল টিম অমসু লমথাখি।

**ইগজিবিসন(এল)ঃ** পিছ প্রোসপরিতি ক্রিয়েটিবিতি হায়বা হীরমদা চথরকপা ১৮ শুবা ইম্ফাল আর্ট কলেজকী চহিগী ওইবা আর্ট ইগজিবিসন ঙসি কলেজ অসিদা লোয়শিনখ্রে।

ইগজিবিসন অসিদা তোঙান তোঙানবা পেন্টিং, গ্রাফিক, এপ্লাইদ আর্ট অমসুং স্কল্পচরনচিংবা কয়া উৎখি।

**ত্রেন্নিং (এল)ঃ** নেসনেল রুরেল হেলথ মীসনগী মখাদা কাংপোকপী জিলাগী সাইতু গমফাজোল ব্লোক্কী আশা হেলথ ৱাকরশিংগী নোংমগী ওইবা ত্রেন্নিং প্রোগ্রাম অমা ঙসি গমনোম সি.সি. হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অসি অঙাংশিংবু যুম যুমদা করমা চেকশিন থৌরাং লৌখৎকদগে হায়বগী মতাংদা পাঙথোকপনি। মসিদা পি.ঐচ.সি. গমফাজোলগী এম.ও. ইন চার্জ, ডাক্তরশিং, নর্সশিং অমদি আশা হেলথ ৱাকর ১০০ রোম শরুক য়াখি।

**থৌবাল (এল)ঃ** সঙ্গিত কালা একাডমী, রাবিন্দ্র ভাবন ন্যু দিল্লিগী শেন্থং মখাদা

লাইশ্রম মণি গৌর সঙ্গিত একাডমী থৌবাল ৱাংখেমনা শিনদুনা গৌরঙ্গা লীলা মিত্রা হায়বসিদা নুমিৎ মঙানি চত্থগদবা নেরেটিব আর্ট (সট সংঘা) গী প্রোগ্রাম প্রদক্সন ঙসিদগী একাদমী অসিগী কম্যুনিতি হোলদা হৌখ্রে।

**এআর(এল)ঃ** ইন্সপেক্তর জেনরেল ওফ অসাম রাইফলস (সাউথ) কী মীৎয়েং মখাদা অসাম রাইফলসনা ঙসি সংসক ৱার মেমোরিএলদা ইকায় খুমবা উৎপগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে। মসি মালেমগী অনিশুবা লাঞ্জাউদা মরৈবাক্কীদমক মথৱায় থাদোকখ্রবা থৌনা ফরবা লান্মীশিং অমদি মদুদা মথৱায় কৎখ্রবশিংদা পীবা শ্রাধঞ্জলিনি। থৌরম অদু থৌনা ফরবা লৈখিদ্রবা লান্মীশিং অদুগী মরমদা ৱা ঙাংলদুনা হৌদোকখি। মদুদা মফম অদুদগী মীওই অমদি খুলগী লুচিংবশিংসু শরুক য়াখি।

**ফুটবোল(এল)ঃ** দি.এস.এ. বিষ্ণুপুরগী মিণি ষ্টেদিয়মদা পাঙথোক্লিবা অনিশুবা ইতোমচা সিংহ মেমোরিএল ফার্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লিক্কী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা লমলাং হুপ্পী য়ুথ ভলন্টরি ওর্গনাইজেসন অমসুং ওইনাম স্পোর্টস এসোসিয়েসন পাঞ্জল অমমম চন্নদুনা দ্রো চৎখি।

**মীরেপ-চে ঃ** অরুনাচল ৱেষ্ট লোক সভা কেন্দ্রদা কেন্দ্রগী মন্ত্রি-কিরেন রিজিজ্ ঙসি মহাক্কী মীরেপ চে পীশিনখ্রে। মীরেপ চে পীশিন্নবা অদুদা অরুনাচল প্রদেসকী মুখ্য মন্ত্রি-পেমা খন্দুসু য়াওখি।

অসামদা কেন্দ্রগী মন্ত্রিসু ওইরিবা বি.জে.পি লুচিংবা সরবানন্দ সোনোৱালনা দিব্রুগরদা ঙসি মীরেপ চে পীশিনখ্রে। কংগ্রেসকী এম.পি গৌরব গোগোইসু মীরেপ চে ঙসি পীশিনখি।

মেঘালয়দা হৌজিক কংগ্রেসকী এম.পি. ওইরিবা ভিনসেন্ট ঐচ. পালানা শিল্লোং লোক সভা সিটকীদমক ঙসি মহাক্কী মীরেপচে পীশিনখ্রে। ভোইস ওফ পিপল পার্তিগী মীরেপ রিকি এ.জে. সিংকোনসু ঙসি মীরেপচে পীশিনখি। রাজ্য

অদুগী শিল্লোং অমসুং তুরা লোক সভা সিট অনিগী মীখলগী ভোৎ এপ্রিল ১৯ দা থাদনগদবনি।

নাগালেন্দদনা পি.দি.এনা মীখল অসিদা হান্নগী মন্ত্রি অমসুং হৌজিকা মুখ্য মন্ত্রিগী এদভাইজর ওইরিবা ডাঃ চুমবেন মুরিবু চুংশিন্নবা কাংব্ অসিগী মীরেপ ওইনা ঙসি মীরেপ চে পীশিনখ্রে। চুংশিন্নবা কাংবু অসিদা নেসনেলিষ্ট দেমোক্রেতিক প্রোগ্রেসিপ পার্তি, বি.জে.পি, এন.সি.পি, জে.দি.য়ু, আর.পি.আই (অথৱালে), এল.জে.পি (রাম বিলাস), এন.পি.পি, এন.পি.এফ অমদি ইন্দিপেন্দেন্ট পার্তি য়াওরি।

সিক্কিমদা, সিক্কিম ক্রান্তিকারি মোর্চানা রাজ্য বিধান সভা মীখলদা থাগৎকদবা মখোয়গী মীরেপ পুমমক্কী মীং অমদি অমত্তা ঙাইরবা লোক সভা সিটকী মীখলদা থাগৎকদবা মীওই লাউথোকখ্রে।

পঞ্জাবতা লাক্লিবা লোক সভা মীখলদা বি.জে.পিনা অতৈ দল অমত্তা চুংশিন্নবা তৌরোই। দল অসিনা মথন্তনা মীখল থেংনগনি হায়না বি.জে.পি. পঞ্জাবকী প্রসিদেন্ট-সুসিল জাখরনা হায়রি।

সোসিএল মিদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা শ্রী সুসিলনা হায়-ৱারেপ অসি দলগী ৱাকরস অমসুং লুচিংবশিংনা মুন্না খন্নরবা মতুংদা লৌবনি।

সিট অমখক্তমক লৈবা য়ুনিয়ন টেরিটোরি পুদুচেরিদা লোক সভা মীখলগীদমক মীরেপ ৮ না হৌজিক ফাওবদা মাগী মাগী মীরেপশিং পীশিন্নরকখ্রে। মীরেপ চে পীশিল্লকখিবা মীওইশিং অদুগী মনুংদা রাজ্যগী গৃহ মন্ত্রি-নমাশিবায়ম য়াওরি।

**কন্মিসন ঃ** লাক্লিবা লোক সভা মীখল অমদি রাজ্য খরগী বিধান সভা মীখল নিংথিনা অকোইবগী ফিভমদা শোকহন্দনা পাঙথোকবা ইলেক্সন কন্মিসন্না অকনবা থবক পায়খৎলি। কন্মিসন্না মীখলগী থবক তৌরিবা মীওইশিং অমসুং রাজনীতি দলশিংদা ভোতর লিষ্ট অমদি মীখলগা মরী লৈনবা থবকশিংদা য়ারিবা

মখৈ চে শিজিন্নবা হন্থহন্নবা খঙহল্লি।

মীখলগী বোদি অসিনা ই-বুক অমদি ই-দোক্কুমেন্টশিং শিজিন্নবগা লোয়ননা শিজিন্নরিবা নাকল অনিমক নমদুনা য়ারিবা মখৈ চে চংহন্দনবা হোৎননবা হায়রি। অমুক্তগী হেন্না শিজিন্নবা য়াদবা মখলগী প্লাষ্টিক শিজিন্নদনবা, তোঙান তোঙানবা মখলগী দসবিনশিং থমবসু কন্মিসন্না হায়রি। অকোইবগী ফিভমদা শোকহন্দবা মখলগী গাড়িশিং মীখলদা শিজিন্নবদসু কন্মিসন্না পুকিং থৌগৎলি।

**জয়শঙ্করঃ** মপান থৌরম মন্ত্রি-ডা: এস. জয়শঙ্করনা হায়রি-ভারতনা ফিলিপিন্সকী নেসনেল সেক্যুরিতি হেন্না ফগৎহনবদা মতেং পাংগনি।

ফিলিপিন্সকী মপান থৌরম মন্ত্রিগা লোয়ননা ঙসি ফিলিপিন্সকী মনিলাদা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা মহাকা হায়-লৈবাক খুদিংমকা মশা মশাগী ঙাকশেলগী থবক থৌরমশিং ফগৎহন্নবা হোৎনবগী হক লৈ। ডা: জয়শঙ্করনা হায়-ভারত অসি আসিয়ান লৈবাকশিংগগী মরক্তা অফবা মরী লৈনৈ। হোংলক্লিবা মালেমগী খোঙচৎ অসিদা ভারত অমসুং ফিলিপিন্সনা অমনা অমবু তেংবাংনদুনা হেন্না চাউখৎপা লন্বীরোমদা চংশিনমীন্নবগী তঙাইফদবা লৈ।

**অমরনাথঃ** অমরনাথ যাত্রাগীদমক হন্দক চহিগী ওইনা যাত্রা অসিদা য়াওগদবা মীওইশিংগী হেলথ সার্টিফিকেট পীবগী থবক জম্মু দিভিজনগী তোঙান তোঙানবা জিলা ১০ দা পাঙথোকখ্রে। মসিগীদমক পুন্না ডাক্তর ১১২ না মথৌ তৌরি।

অমরনাথ স্রাইন বোর্ডকী মতুং ইন্না যাত্রা অসি চহি অসিগী জ়নগী তাং ২৯ দগী হৌরবা য়াই হায়রি।